# RNU, IMPHAL
# MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM
**(DATE 05-12-2024)**

**পুলিস (এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা থৌবাল জিলাগী ফুংগৈ চিং ঙামুখোংদা থিবা হুম্বগী থবক চথুবদা য়ান্নবা খুৎশু খুৎলায় কয়া ফাগৎলে।

মনিপুর পুলিসকী পাউনা হায়-ফাগৎলবা পোৎলমশিং অদুগী মনুংদা মেগজিন য়াওবা এস.এল.আর. রাইফল অমা, মেগজিন য়াওবা এস.এম.জি. করবাইন অমা, দলবল বেরেল অমা, নাইন এম.এম. পিষ্টোল অমা, পোইন্ট থ্রি টু এম.এমগী পিষ্টোল অমা, হেন্দ গ্রেনেদ তরুক, দিটোনেটর অনি, নোংমৈ মরু ৩৯, ৱাকি টোকি সেট অমা, আরমিং রিং মঙা য়াওরি।

অমরোমদা, নেসনেল হায়ৱে নম্বর ৩৭ অমসুং নেসনেল হায়ৱে নম্বর টুদা নোংমদা তঙাইফদনা চংবা পোৎলমশিং পুবা গাড়ি ৪৭৩ সেক্যুরিতিগী অকনবা চেকশিন থৌরাংগা লোয়ননা ইম্ফালোমদা পুশিল্লকখ্রে।

**হেলথ (এল)ঃ** রাজ্যগী চীফ সেক্রেটরিনা চিংগী জিলাশিংদা লৈরিবা হকশেলগা মরী লৈনবা থবক থৌরম অমসুং ইনফ্রাষ্ট্রকচরশিংগী মরমদা খন্নখ্রে।

হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুম্বালগী স্পিসিএল সেক্রেটরি, হেলথ সাভির্সেসকী দিরেক্তর, ষ্টেট মীসন দাইরেক্তর, দিপ্যুতি কম্মিস্নার, চীফ মেদিকেল ওফিসার অমদি ষ্টেট লেবেল নোদেল ওফিসারশিং শরুক য়াখি।

দিপ্যুতি কম্মিস্নার অমসুং চীফ মেদিকেল ওফিসারনা চীংগী জিলাশিংদা হকশেলগী মতাংদা থেংনরিবা অৱাৎ অপাশিং চীফ সেক্রেটরিদা পাউদমখি। চীফ সেক্রেটরিনা হকশেল অমসুং য়াইফ য়ুম্বালগী স্পিসিএল সেক্রেটরিদা হীরম অসিগী মতাংদা কুপা য়েংশিল্লগা লৈরিবা অৱাৎ অপাশিং মেনশিন্নবা খঙহনখি।

ব্লড বেঙ্ক লৈতবা চীংগী জিলাশিংদা ব্লড বেঙ্ক থমবসু খঙহনখি। জিলাশিং অসিগী দিপ্যুতি কম্মিস্নারশিং চীফ মেদিকেল ওফিসারশিংগা খুৎশমদুনা জিলাশিং

অসিদা হকশেলগী লমদা হেন্না খুমাং চাউশিনহন্নবসু চীফ সেক্রেটরিনা খঙহনখি।

**এআর (এল)ঃ** অসাম রাইফলসনা ঙরাং চান্দেল জিলাদা থিবা হুম্বগী থবক চথুবদা আইননা য়াদবা মওংদা য়ু লল্লোনবা খুৎপু অমা ফারে।

চান্দেল জিলাগী এস.এল. জোগমদা মোরেদগী উখ্রুল তমা চৎকদবা বোলেরো গাড়ি অনি অসাম রাইফলসনা চেক তৌবদা য়ুঙাং বোটল লিশিং ২,৮৮০ ফাগৎপা ঙমখি। য়ুঙাংশিং অসি ম্যান্মারদা শাবনি হায়রি।

অমরোমদা, থা অসিগী অনিদা অসাম রাইফলসনা তেংনৌপল জিলাগী ভারত-ম্যান্মার ঙমখৈগী বোদর পিল্লর ৭৯ গী মনাক্তগী আইননা থিংখ্রবা লুপ পিপল রিভোলুস্নারি পার্টি ওফ কংলৈ (প্রিপক) গী রেড আর্মিগী মীওই অনি ফাগৎলে হায়রি।

**মহারাষ্ট্র** ঃ বি.জে.পিগী লূচিংবা দেবেন্দ্র ফদনাভিচ অহুমলক শুবা ওইনা মহারাষ্ট্রগী মুখ্য মন্ত্রি ওইনা ঙসি ৱাশক লৌরগনি। রাজ্যপাল-সি.পি. রাধাকৃষ্ণননা মহাকপু ওফিস পায়বা অমদি অরোনবা ঙাকপগী ৱাশক লৌগনি।

ৱাশক লৌবগী থৌরম সাউথ মুম্বাইগী অজাদ মৈদানদা ঙসি নুমিদাংৱাইরম পুং ৫ মখায়দা ৱাশক লৌগনি।

বি.জে.পিগী কোর কম্মিতি মীতিংদা মহাকপু লেজিসলেতিভ পার্তিগী লূচিংবা ওইনা মোত অমত্তা ঙরাং খনখিবনি। সরকার শেমবা বার্তন তৌরক্লবা মতুংদা শ্রী ফদনাভিচনা চুংশিন্নবা কাংবুদা য়াওরিবা শিবা সেনা লুচিংবা একনাথ সিন্ধে, এন.সি.পি. লুচিংবা-অজিৎ পৱারগা লোয়ননা রাজ্যপালগা ঙরাং উন্নখি।

ৱাশক লৌবগী থৌরমদা প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদি অমসুং এন.দি.এনা সাসন তৌবা রাজ্যশিংগী মুখ্য মন্ত্রিশিং অমসুং কেন্দ্রগী মন্ত্রি কয়াসু ৱাশক লৌবগী থৌরম অদুদা শরুক য়াগনি।

ঝরখন্দদা হেমন্ত সোরেন সরকারগী মন্ত্রি-মন্দল ঙসি চাউথোক্লগনি। রাজ

ভবনদা পাঙথোকপা থৌরম অমদা রাজ্যপাল-সন্তোকুমার গঙ্গাৱারনা অনৌবা মন্ত্রি ১১ বু ওফিস পায়বা অমসুং অরোনবা ঙাকপগী ৱাশক লৌগনি। ৱাশক লৌবগী থৌরম অদুদা জে.এম.এমগী মন্ত্রি তরুক, কংগ্রেসকী মরি অমসুং আর.জে.দিগী অমা য়াওরি।

**ইসরোঃ** য়ুরোপিয়ান স্পেচ প্রোবা থ্রি সেটেলাইট পুবা ইন্দিয়ান স্পেচ রিছার্স ওর্গনাইজেসন (ইসরো) গী  পি.এস.এল.ভি-সি-ফিফতি নাইন ঙসি নুংথিল পুং মরি মিনিট ১২ চৎপা মতমদা থাগৎলগনি।

পি.এস.এল.ভি-সি-ফিফতি নাইন রোকেটনা য়ুরোপিয়ান স্পেচ এজেন্সিগী কিলোগ্রাম ৫৫০ লুম্বা প্রোবা থ্রি সেটেলাইট অসি শ্রীহরিকোতাদা লৈবা ছতিস ধাৱন স্পেচ সেন্তরদগী ঙরাং নুংথিল পুং ৪ মিনিট ৮ দা থাগৎনবা শেম শাখিবনি। অদুবু, খুদোংচাদবা খরা লৈবদগী সেটেলাইট অসি ঙসি থাগৎনবা নৌনা মতম লেপখিবনি। সেটিলাইট অসিনা নুমিৎকী এটমোসফিয়ার অমদি সোলর ৱিন্দগী মতাংদা কুপা থিজিন্নবা পান্দম থল্লি।

**লেফট ঃ** কেন্দ্রগী গৃহ রাজ্য মন্ত্রি-নিত্যানন্দা রাইনা হায়রি-হৌখিবা চহি মঙা অসিদা লৈবাক অসিগী জিলা ৬০ দা লেফট ৱিং এক্সত্রিমিজমগী চৈথেংশিং লাকশিনবা ঙমলে।

ৱাফম অসি ঙরাং রাজ্য সভাদা ইদুনা পীবা পাউখুম অমদা শ্রী নিত্যানান্দনা ফোংদোকখিবনি। মহাকা হায়-লেফট ৱিং এক্সত্রিমিজম থেংননা পায়খৎলকপা নেসনেল পোলিসি অমসুং এক্সন প্লাননা মফমশিং অসিদা হিংশাগী থৌদোকশিং হন্থনবা ঙমলে। মন্ত্রিনা হায়-২০১০ গা য়েংনবদা হৌজিক হিংশাগা মরী লৈনবা থৌদোকশিং চাদা ৭৩ গী চাংদা হন্থহল্লে। মহাকা হায়-লান্মীগী মীওইশিং অমসুং মীচমশিং শিবগী চাংসু হন্থরে।

**হোকিঃ** ভারতনা পাকিস্তানবু পাঞ্জল ৫-৩ দা মায়থিবা পীদুনা নুপাগী জুনিয়ার হোকি এসিয়া কপ টাইতল লৌরে।

ওমানগী মুসকাটতা ঙরাং শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা পাকিস্তান অহানবা হাফ ফাওবদা পাঞ্জল ৩-১ দা মাংজিল থাদুনা চৎখি। ভারতকী অরাজিৎ সিংহ হুন্দলনা পাঞ্জল ৪ চনখি অদুগা দিল রাজ সিংহনা পাঞ্জল অমা চনদুনা টাইতল অসি লৌখিবনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

মনিপুরদা ঙসি ফোংলিবা পাউচেশিংদা হোম এফিয়ার্সনা মনিপুর ভাইওলেন্স ইনক্কারি কম্মিসনগী রিপোর্ট পীখৎলকপগী মতম শাংদোকখিবা, ইন্টর দিষ্ট্রিক্ট বস সার্ভিস হৌদোকখিবা অমসুং মনিপুরগী ইরাং অসি নার্কো টেরোরিজমননি হায়না ওৱাইসিনা পার্লিয়ামেন্টতা ফোংদোকখিবা ৱাফম তোঙান তোঙানবা হেদলাইন তৌদুনা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরি।

সনা লৈবাক পাউচেদা-লোক সভা সেসনদা ওপোজিসনগী এম.পি. অসাব উদিন ওৱাইসিনা দ্রগ, খুৎলায় লল্লোনবশিংনা মনিপুর মৈ চাকপগী মরমনি হায়না ফোংদোকখিবা ৱাফম অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

নহারোলগী থৌদাংদা-মনিপুরদা থোক্লিবা ইরাং অসি দ্রগ ত্রাফিক্কিংনা মরম ওইরগা থোকহনবা ইরাংনি হায়না এম.সিনা ফোংদোকখিবা ৱাফম অনিশুবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি পোকফম, মনিপুর ন্যুজ, ইম্ফাল ফ্রি প্রেস অমদি পিপলস ক্রোনিকলদসু অহানবা লামাইদা ফোংলি।

ইন্টর ষ্টেট বস সার্ভিসকী পেসেঞ্জর অমত্তা লাকখিদ্রে হায়না পোকফমগী অহানবা লমাইদা ফোংলি।

সেক্যুরিতিনা অকনবা মওংদা ঙাক শেনদুনা বস সার্ভিস লমথাখ্রে, সেনাপতিগী ময়াংখান, চুরাচান্দপুরগী কংভাই ফাওবা বস চেনখ্রে হায়না মনিপুর

ন্যুজতা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

গাড়ি চৎপদা অপনবা পীবীদনবা ত্রান্সপোর্ট মিনিস্তর-খাশিম বাশুমনা আপিল তৌবগী পাউ পিপলস ক্রোনিকলদা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

অমরোমদা, পেসেঞ্জর গাড়ি চৎহন্নবা লৈঙাক্কী ওর্দর হন্দোক্ত্রিবা ফাওবা অকনবা খোঙজং চংশিনখিগনি হায়না কোটুনা ফোংদোকখিবা ৱাফম সনা লৈবাক পাউচেগী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

মনিপুরগী লালগী মতাংদা থিজিল্লিবা কম্মিসন ওফ ইনক্বারিনা রিপোর্ট পীখলিকপগী মতম মথং চহিগী মে ২০ ফাওবা শাংদোকহনখ্রে হায়বা পাউ হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুরদা থোকাপ ইরাংগী কেস সুপ্রিম কোর্টতা পন্দুনা লৈরি, ২-২৩ দা হিয়ারিং ২৫, ইং ২০২৪ দা মঙা পাঙথোকখি হায়না সঙাই এক্সপ্রেস মনিপুরি এদিসনদা ফোংলি।

মনিপুরদা থোক্লিবা ইরাংসিগী চপ চাবা রিপোর্ট পীরকবা পি.এম.ওনা মনিপুর লৈঙাক্তা খঙহল্লকখ্রে হায়বা পাউ অমসু ঈচেল এক্সপ্রেসকী অহানবা লামাইদা ফোংলি।

লৈখিদ্রবা অথৌবা ১৩ গী কুমওন থৌরম অন্দ্রো খুনৌ তোরোংথেল কামু কোইরেং ইন্টিগ্রীতি পার্কতা পাঙথোকখিবগী পাউ, পাউ চে অয়াম্বদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংনরি।

নাগালেন্দদা পাঙথোক্লিবা হোর্ন বিল ফেষ্টিবেলদা কেন্দ্রগী কলচর অমসুং টুরিজম মিনিস্তর-গজেন্দ্র সিংহ সেখাৱট শরুক য়াখ্রে হায়বা পাউনা তমেংলোং টাইমসকী অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

গানফিয়ু মেলদা-মনিপুরগী চীফ সেক্রেটরিনা রাজ্য অসিগী চিংগী মফমশিংগী হেলথ কেয়ার ইনফ্রাষ্ট্রকচর রিভিয়ু তৌখিবগী পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি।